


# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, MONDAY, JULY 16, 2018 PAGE 7

*জর্মনিগী কোনুং বর্লিনদা পাঙথোকপা মোটোজিপিগী টাইটল লৌদুনা মহাক্কী কেরিয়রগী ৯লকশুবা থংন–থংননা টাইটল অসি লৌবা ঙমখ্রবা স্পেনগী হোন্দা মোটোজিপিগী দ্রাইভর মার্ক মার্কেজ*

*মধ্য প্রদেসকী সিটি ইন্দোরদা পাঙথোকখিবা সেন্ট্রেল জোন নেসনেল রেঙ্কিং টেবল টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস অমসুং য়ুঠ বোইজ সিঙ্গলস টাইটল অনীমক লৌবা ঙমখ্রবা পিএসবিপি শান্নরোই মানভ থাকার*

## *ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০১৮, রুশিয়া*

# ফাইনেলদা ফ্রান্সনা ক্রোএসিয়াবু পাঞ্জল ৪–২ দা মায়থিবা পীদুনা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অনীরকশুবা টাইটল লৌখ্রে, ইংলেন্দগী কেপ্টেন হেরি কেননা গোল্ডন বুটকী মনা ফংখ্রে

*মোস্কো, জুলাই ১৫ঃ*

জুন ১৪ দগী রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা চথরকপা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা টুর্নামেন্ট ফিফা ৱার্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা ফ্রান্সনা ক্রোএসিয়াবু পাঞ্জল ৪–২ দা মায়থিবা পীদুনা অনীরকশুবা টাইটল লৌবগা লোয়ননা শেলগী মনা ওইনা য়ুএস দোলর মিলিয়ন ৩৮ সু ফংখ্রে।

কুমজা ১৯৯৮ গী সেমি ফাইনেলদা মায়থিহৌবগী লম্মন শিংনবা হোৎনদুনা ক্রোএসিয়াগী শান্নরোইশিংনা য়াম্না কন্না শান্নখ্রবসু ফ্রান্সকী মখূত্তা অমুক হন্না মায়থিহৌবদগী অনীশুবা পোজিসন তারগা লোইশিনখি।

নীংশিংবা য়াবদি ২১শুবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী সেমি ফাইনেলদা ক্রোএসিয়াগী শান্নরোই মারিও মেন্দজুকিচনা এক্সত্রা টাইমদা চনখিবা পাঞ্জলনা ইংলেন্দবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীরল্লগা টুর্নামেন্ট অসিদা অহানবা ওইনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

নাকল অমরোমদা ফ্রান্সনা মখোয়গী মমাঙদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা বেলজিয়মবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা তৌনরবা মতুং পাঞ্জল ১–০ দা থোইরল্লগা ফাইনেল চঙলকপনি।

কুমজা ১৯৯৮ দা ফ্রান্সনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ১৬শুবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোলদা ফ্রান্সনা ক্রোএসিয়াবু সেমি ফাইনেলদা পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীরম্বদগী ক্রোএসিয়া টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমদনা লৈহৌবনি।

ৱার্ল্ড কপ অদুগী ফাইনেলদা য়ুম্বু ফ্রান্সনা ব্রাজিলবু ফাইনেলদা য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা ওইনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

কুমজা ১৯৯৮ কী ফ্রান্স ৱার্ল্ড কপ অদুগী অহুমশুবা পোজিসনগী শান্নবদা ক্রোএসিয়ানা নেদরলেন্দসপু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীরল্লগা পোজিসন অদু কনবা ঙমখিবনি।

শান্নবগী ১৮শুবা মিনটতা ফ্রান্সকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা ফ্রি কিক অমা ফংখিবা অদু টিম অদুগী এক্সরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোই এন্টোইন গ্রিজমাননা কাওশিনবদা ক্রোএসিয়াগী শান্নরোই মারিও মেন্দজুকিচতগী থকতোক্তুনা মখোয়গী গোলদা চঙখিবদগী ফ্রান্সনা ক্রোএসিয়াবু পাঞ্জল ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

পাঞ্জল অমা শোত্থরবা ক্রোএসিয়াগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনদুনা ফ্রান্সকী মায়কৈদা বোল হেন্না পুশিন্দুনা এটেক চত্থবা হৌরকখি।

শান্নবগী ২৮শুবা মিনটতা ক্রোএসিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই ইভান পেরিসিকনা ইক্কেলাইজর অদু চন্দুনা টিম অনীমক পাঞ্জল ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

শান্নবগী ৩৯শুবা মিনটতা ফ্রান্সকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা কোর্নর অমা ফংখি। কিক অদু ফ্রান্সকী এন্টোইন গ্রিজমাননা কাওশিল্লকপদা ক্রোএসিয়াগী শান্নরোইগী খূত্তা পান্দুনা ভিদিও রেফরি এসিষ্টেন্টকী খুখাংদা য়েংলবা মতুং মেটচ অদু কন্দক্ত তৌখিবা রেফরিনা ফ্রান্সকী ফেভরদা পেনাল্টি অমা পীখি। পেনাল্টি কিক অদু ফ্রান্সকী শান্নরোই এন্টোইন গ্রিজমাননা কাওশিনবদা পাঞ্জল ওইদুনা ফ্রান্সনা ক্রোএসিয়াবু ফাইনেল মেটচ অদু পাঞ্জল ২–১ দা হেন্দুনা লৈখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মিনট খরা অদুনা টিম অনীগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী ফ্রান্সনা ক্রোএসিয়াবু পাঞ্জল ২–১ দা হেন্দুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মেটচকী ৫৯শুবা মিনটতা ফ্রান্সকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা পোল পোগবানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ক্রোএসিয়াবু ৩–১ দা মাঙজিল থাদুনা মায় পাকপগী লম্বেল নকশিল্লকখি।

শান্নবগী ৬৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী হেন্দুনা লৈরিবা ফ্রান্সকী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা কাইলিয়ান মবাপ্পেনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ক্রোএসিয়াবু ৪–১ দা মাঙজিল থাখি।

শান্নবগী ৬৯শুবা মিনটতা ফ্রান্সকী গোলকিপর হুগো লোরিসনা কাওথোরকপা বোল অমা ক্রোএসিয়াগী শান্নরোই মারিও মেন্দজুকিচকী মখোঙদা পান্দুনা গোল ওইখিবদগী ফ্রান্সকী মখূত্তা ২–৪ দা শোত্থদুনা লৈখি।

মখা তানা শান্নরকপদা ক্রোএসিয়াগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখ্রবসু ফ্রান্সকী শান্নরোইশিংনা দিফেন্সিব ওইবা মওংদা শান্নখিবদগী ক্রোএসিয়াগী শান্নরোইশিংনা বোল পুশিন্নবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা ক্রোএসিয়াগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদবা অমদি ফ্রান্সকী শান্নরোইশিংনসু মখা তাবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙমখিদবদগী ফাইনেল মেটচ অদু ফ্রান্সনা ক্রোএসিয়াবু পাঞ্জল ৪–২ দা মায়থিবা পীদুনা মখোয়গী অনীশুবা ফিফা ৱার্ল্ড কপকী টাইটল লৌবা ঙমখি।

রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা চথরকপা ২১শুবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা ইংলেন্দগী কেপ্টেন হেরি কেননা পাঞ্জল ৬ চন্দুনা অতোপ্পা লৈবাক্কী শান্নরোইশিংদগী হেন্দুনা গোল্ডন বুটকী মনা ফংবা ঙমখি।

লোয়ননা ক্রোএসিয়াগী কেপ্টেন লুকা মেদ্রিকনা ফ্রান্সকী এন্টোইন গ্রিজমান অমসুং বেলজিয়মগী কেপ্টেন ইদেন হজাদতগী হেন্দুনা টুর্নামেন্ট অসিগী খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোইগী মনা (গোল্ডন বোল) ফংখি।



*ফ্রান্সকী শান্নরোইশিংনা ক্রোএসিয়াবু ফাইনেলদা মায়থিবা পীখিবদা হরাওবা ফোঙদোকপা*



*গোল্ডন বুটকী মনা ফংখ্রবা ইংলেন্দগী কেপ্টেন হেরি কেন*

# থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা জপানগী নোজোমী ওকুহারানা ইন্দিয়াগী সিন্ধু থোইদুনা টাইটল লৌখ্রে

*বেঙ্কোক, জুলাই ১৫ঃ*

থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোক্তা চথরকপা য়ুএস দোলর ৩৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা জপানগী নোজোমী ওকুহারানা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুবু মায়থিবা পীরল্লগা টাইটল লৌখ্রে। নুপাগী সিঙ্গলস টাইটলনা জপানগী কেন্টা সুনেয়ামানা ইন্দোনেসিয়াগী টোমী সুগিয়ার্টো মায়থিবা পীদুনা লৌখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি জপানগী নোজোমী ওকুহারানা রিও ওলিম্পিকক্সি সিলভর মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুবু থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টনগী ফাইনেল মায়থিবা পীরম্বা অসি থারগা ওকুহারাগী মখূত্তা চহী অসিদা অহুমল্লকশুবা মায়থিবা ওইরি।

ইন্দিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা জপানগী নোজোমী ওকুহারানা মায়থিবা পীরল্লবা মতুং চহী অসিগী এপ্রিল থাদা ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি গোল্ড কোষ্টতা পাঙথোকখিবা বেদমিন্টন দিসিপ্লিনগী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা অমুক্কসু মায়থিহৌবনি।

থাইলেন্দগী ওপন বেদমিন্টনগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী সিন্ধুবু জপানগী ওকুহারানা মিনট ৫০ রোম শান্নরবা মতুং স্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিবা পীরল্লগা টাইটল লৌবা ঙমখি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেম জপানগী ওকুহারানা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুবু হিরম খুদিংমক্তা লাকশিন্দুনা ২১–১৫ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই পি ভি সিন্ধুগী মায়কৈদগী লম্বা খরা পীরখ্রবসু জপানগী ওকুহারানা লোইশিল্লকপদা ফজবা হেনখিবদগী গেম অদু ২১–১৮ দা থোইদুনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌখিবনি।

থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা জপানগী কেন্টো সুনেয়ামানা ইন্দোনেসিয়াগী টোমী সুগিয়ার্টোবু গেম ২–১ দা থোইরগা লৌখি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেম জপানগী সুনেয়ামানা ইন্দোনেসিয়াগী সুগিয়ার্টোবু ২১–১৬ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গেম অদুদা সুগিয়ার্টোগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মশান্না উৎপা ঙমখিবদগী ২১–১৩ দা থোইদুনা গেম অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেম অদুদা জপানগী কেন্টা সুনেয়ামানা ইন্দোনেসিয়াগী টোমী সুগিয়ার্টোগী মশান্না অদুদা নীংথিনা লাকশিনবা ঙমখিবদগী গেম অদু য়াম্না কোম্না ২১–৯ দা থোইদুনা নুপাগী সিঙ্গলসকী টাইটল লৌবা ঙমখি।

থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা অহানবা সিদেদ পেয়র জপানগী টাকেসি কামুরা অমসুং কৈগো সোনোদানা অতোপ্পা জপানগী পেয়র হিরোয়ুকি ইন্দো অমসুং য়ুটা ৱাটানবেবু স্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১৭, ২১–১৯ দা থোইরল্লগা টাইটল লৌবা ঙমখি।

নুপীগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ৪শুবা সিদেদ পেয়র ইন্দোনেসিয়াগী গ্রেসিয়া পোলি অমসুং এপ্রিয়ানি রাহায়ুনা ৩শুবা সিদেদ পেয়র জপানগী মিসাকি মাটসুটোমো অমসুং আয়াকা টাকাহসিবু স্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১৩, ২১–১০ দা মায়থিবা পীরল্লগা কাঙলুপ অসিগী টাইটল ফংখি।

থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মিক্স দবলসকী ফাইনেলদা ৮শুবা সিদেদ পেয়র ইন্দোনেসিয়াগী হাফিজ ফাইজাল অমসুং গ্লোরিয়া ইমানুয়েল ৱিদজাজানা অহানবা সিদেদ পেয়র ইংলেন্দগী খৃস এদকোক অমসুং গেবি এদকোকপু ২১–১২, ২১–১২ দা থোইরল্লগা টাইটল লৌবা ঙমখি।



*থাইলেন্দ ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল ফংখ্রবা জপানগী ওকুহারা*

# সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিসনা সাউথ অফ্রিকাগী কেভিন এন্দরসনবু মায়থিবা পীদুনা ৱিম্বলদন চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল ৪রকশুবা ওইনা লৌখ্রে

*লন্দন, জুলাই ১৫ঃ*

সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিসনা সাউথ অফ্রিকাগী কেভিন এন্দরসনবু ফাইনেলদা মায়থিবাপীরল্লগা ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল ৪রকশুবা ওইনা লৌবা ঙমখ্রে।

ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল ১২শুবা সিদেদ সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিসনা ৮শুবা সিদেদ ওইরিবা সাউথ অফ্রিকাগী কেভিন এন্দরসনবু স্ট্রেট সেট অহুমদা থোইরল্লগা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ৪রকশুবা টাইটল ফংবা ঙমখিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিসনা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা টুর্নামেন্টঅসিগী নম্বর টু সিদেদ স্পেনগী রাফেল নদালবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরগা সেট ৩–২ দা থোইরম্বনি।


অমরোমদা ৮শুবা সিদেদ সাউথ অফ্রিকাগী কেভিন এন্দরসননা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা ৯শুবা সিদেদ শান্নরোই য়ুএসএগী জোন ইসনরবু পুং ৬ কা মিনট ৩৬ চঙনা য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা শান্নরবা মতুং সেট ৩–২ দা থোইরমখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিসনা এন্দরসনগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা মাঙজিল থারবা সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিসনা অনীশুবা সেট অদুসু এন্দরসনগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা থোইরবা মতুং অহুমশুবা সেট অদুদা সাউথ অফ্রিকাগী কেভিন এন্দরসনগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা পীরকখ্রবসু জোকোভিসনা টাই ব্রেক্তা ৭–৬(৭–৩) দা থোইদুনা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল ফংবা ঙমখিবনি।

ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ৩শুবা সিদেদ পেয়র জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভা অমসুং কেটারিনা সিনিয়াকোভানা ১২শুবা সিদেদ পেয়র য়ুএসএগী নিকোল বেলিসর অমসুং জেক রিপব্লিক্কী ক্বেটা পেস্কেবু ৬–৪, ৪–৬, ৬–০ দা মায়থিবা পীরল্লগা টাইটল লৌবা ঙমখি।

ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা ৭শুবা সিদেদ পেয়র য়ুএসএগী মাইক ব্রাইন অমসুং জেক সোকনা সাউথ অফ্রিকাগী রাভেন ক্লাসেন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী মাইকেল ভেনসপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৬–৩, ৬–৭(৭–৯), ৬–৩, ৫–৭, ৭–৫ দা থোইরল্লগা টাইটল ফংবা ঙমখি।



# জার্কটা এসিয়ান গেমসকী টৌর্চ রেলিদা মমিং লৈরবা শান্নরোইশিং শরুক য়াখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৫ঃ*

ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি অনীদা মথং থাগী ১৮ দগী হৌগদৌরিবা ১৮শুবা এসিয়ান গেমসকী ঙসি ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা টৌর্চ রেলিদা এসিয়াগী মমিং লৈরবা শান্নরোইশিংনা শরুক য়াখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা লৈবা মেজর ধ্যান চান্দ নেসনেল ষ্টেদিয়মদগী চুখৎখিবা টৌর্চ অদু ইন্দিয়াগী বোক্সিং আইকোন মণিপুরদগী হৌখিবী এমসি মেরি কোম অমসুং কুমজা ১৯৯২ দা স্পেনগী বার্সেলোনাদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসকী নুপীগী বেদমিন্টন সিঙ্গলসতা টাইটল লৌবা ঙমখিবী ইন্দোনেসিয়াগী সুসি সুসান্টিনা পুন্না চুখৎমিন্নখি।

ঙসি চুখৎলিবা টৌর্চ অসিনা কিলোমিটর ১৮,০০০ গী অরাপ্পা লান্থোক্লগা সিটি ৫৪ অমসুং প্রোভিন্স ১৮ ফাওরগা ওগষ্ট ১৮ দা ইন্দোনেসিয়াগী কোনুং জার্কটাতা থুংলগদবনি।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা টৌর্চ রেলি অদুদা ইন্দিয়াগী ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী ৫রক টাইটল লৌবা ঙমখ্রবী এমসি মেরি কোম অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী বার্সেলোনা ওলিম্পিক গেমসকী গোল মেডালিষ্ট সুসি সুসান্টিগা লোয়নননা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোইশিংসু শরুক য়াখি।

শান্নরোইশিং অদুদি হোক্কিগীদা পি আর স্রিজেস, সরদার সিংহ, ভিসাল উপ্পাল অমসুং এসভি সুনিল য়াওরি। লোয়ননা টেবল টেন্নিসকী গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী গোল্ড মেডালিষ্ট মনিকা বত্রা অমসুং অচান্টা সারাথ কমালসু শরুক য়াখি।

ইন্দোনেসিয়া এসিয়ান গেমস অসিদা মীওই ১৬৯২০ না শরুক য়াগনি। মসিগী মনুংদা এঠলিট ১১৬২০ না তোঙান–তোঙানবা ইভেন্টশিংদা লম্বা তৌনগনি। হায়রিবা মশীং অসি ওলিম্পিকক্তগী হেল্লিবনি। লোয়ননা মেডিয়াগী মীওই ৭০০০ না পাঙথোক্কদৌরিবা ইভেন্টশিং অসি কোভরেজ তৌগনি হায়না গেমস অসিগী ওর্গনাইজিং কমিতিগী চীয়রমেন ইরিক থোহিরনা ফোঙদোকখি।

ইন্দোনেসিয়াগী এসিয়ান গেমস অসিদা ইন্দিয়ানা কন্টিনজেন্ট ৮০০ রোম থাগনি। মসিগী মনুংদা এঠলিট ৫২৩ য়াওরি হায়না ইন্দিয়ান ওলিম্পিক এসোসিয়েসন (আইওএ) গী প্রসিদেন্ট নরিন্দর বত্রনা ফোঙদোকখি।



# ইন্দিয়াগী মনু ভাকর অমসুং অনমোল জেননা মিক্স এয়র পিষ্টোল টিমদা গোল্ড লৌখ্রে

*প্লিজেন, জুলাই ১৫ঃ*

জেক রিপব্লিক্কী সিটি প্লিজেনদা চত্থরিবা ২৮শুবা মিটিং ওফ সুট্টিং হোপ্স ইন্টরনেসনেল সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী সুট্টর মনু ভাকর অমসুং অনমোল জেননা মিক্স এয়র পিষ্টোল টিমদা গোল্ড মেডল লৌখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা মিক্স এয়র পিষ্টোল টিম ইভেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী মনু ভাকর অমসুং অনমোল জেননা পোইন্ট ৪৭৬.৯ ফংলগা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেডল অদুসু ইন্দিয়াগী সুট্টর দেভান্সি রানা অমসুং সৌরভ চৌধুরিনা পোইন্ট ৪৭৫.৭ দা ফংখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা স্লোভাকিয়াগী মিক্স টিম সুট্টর মার্টিনা মারসালকোভা অমসুং মারেক কোষ্টুরনা পোইন্ট ৪১৩.০ দা লৌখি।

জুনিয়র বুমেন্সকী ঙসি পাঙথোকখিবা মিনটর ২৫ গী স্পোর্টস পিষ্টোল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী সুট্টর মনু ভাকর শুপ্নগী পোইন্ট ২৩ ফংহৌবদগী মরিশুবা পোজিসন তাখি।

ইভেন্ট অসিগী গোল্ড মেডল অদু ফ্রান্সকী সুট্টর কামিলি জেদরজেজেস্কিনা পোইন্ট ৩৫ দা ফংখি। সিলভর মেডল অদুনা বলগেরিয়াগী সুট্টর মিরোস্লাভা মিনচেভানা পোইন্ট ২৯ ফংলগা লৌখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা জেক রিপব্লিক্কী সুট্টর অনা দেদোভানা পোইন্ট ২৬ লৌরগা ফংখি।

এয়র রাইফল মিক্স টিমগী ঙসি পাঙথোকখিবা কম্পিটিসনদা ইন্দিয়াগী স্রেয়া অগরৱাল অমসুং হ্রিদে হজারিকানা পোইন্ট ৪৯৬.৫ ফংলগা সিলভর মেডল ফংখি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সুট্টর টিম ইলাভেনিল ভালারিভান অমসুং দিভ্যন্স সিংহ পনৱারনা পোইন্ট ৪৩৩.৯ দা ব্রোঞ্জ মেডল ফংলগা গোল্ড মেডল অদুনা ইটালিগী সুট্টর টিম সোফিয়া বেনেটি অমসুং মার্কো সুপ্পিনিনা পোইন্ট ৪৯৭.০ দা লৌখি।

২৮শুবা মিটিং ওফ সুট্টিং হোপ্স ইন্টরনেসনেল সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইন্দিয়ানা গোল্ড ১১, সিলভর ৭ অমসুং ব্রোঞ্জ মেডল ৬ পুন্না মেডল ২৪ ফংদুনা লৈরি।